## এডিটোরিয়েল

# পান্ন মনা থিংবা

মণিপুর হায়বসি তোঙান –তোঙানবা ধর্ম্ম কয়া চৎপা মীওই কাংলূপশিংনা খুন্দাবা লমদম অমনি। হায়রিবা লমদমসিদা মপূং ওইনা খূন্দারিবসি মৈতৈ কাংলূপকী মীওইশিংনি। হায়রিবা মীওই কাংলূপশিং অসিগী ওইনা গৌড়িয় সম্প্রদাইগী মীওই কাংলূপশিংনা মখোয়গী লায়নিং লিচৎকা মরী লৈননা পাংথোকপা থৌরম খুদিংমক্তা অমদি মৈতৈ লাইশোলদা থাজবা মীওই কাংলূপশিংনসু পাংথোক্লিবা থৌরম খুদিংমক্তা পান্ন মনা অমদি ক্বা অমসুং লা হায়বসি শিজিন্নদবা য়াদ্রবা লাইশোন –তিনশোলগা মরি লৈনবা পোৎলম ঙাক্তনি। হৌজিক মণিপুরদা খ্বাইদগী চৎনবা ক্বা তপ্পদা শিজিন্নরিবা মনা অসি মীথা পট্টা হায়রগা খঙনবা জার্দা হাপ্লগা মীয়াম্না পান্না চানরিবা ক্বা মনা অসিনি হায়না লৌবা য়াই। অদুবু মণিপুরদা য়েলহৌমী ওইনা লৈরিবা মীওই কাংলূপশিংনদি মীথা পট্টাদা জার্দা হাপ্লগা চাবা ক্বাসিবু ওইনা খঙনরে। মসি য়েলহৌমী ওইবশিংনদি পামদবা অমসুং শিজিনদবা পান্না মতপনি হায়না লৌবা ফাউবা য়ারিবনি।

হন্দক মণিপুর লৈঙাক্লা মপান্দগী পুশিল্লকপা পান্না মনাগী পোৎলমশিংদা অথিঙবা থমখিবা অসিদা মণিপুরদদি লাইশোল–তিনশোলগা মরী লৈননা চঙবা ক্বা অমসুং মনা অমদি লা হায়বসি য়াউহল্লকপা অসিনা মরম ওইরগা ঙসিদি চিল্লবা অমসুং থৌদোক ৱাথোক কয়াগী মরক্তা মীশি–মীনা অমসুং লুহোং–খোঙদোংবনচীংবগী থৌদোকশিংদা তঙাইফদনা চঙবা পান্না মনাগী পোৎলমশিংদা অথিংবা থন্বা হায়বসি অশিংবা লৈঙাক্কী থৌদৌ অমনি হায়না লৌবা ঙম্লোই। অমরোমদা লৈঙাক্লা চত্থরিবা অথিংবা অসিসু চুমদবা নংতে হায়বদি মপাল লমদগী লাকপা মীওইশিংনা পান্না মনাগী লল্লোন ইতিক অসি পায়দুনা লাকপনি অমসুং মীথা পত্তাদা অথিংবা থন্বা খক্তুনা হায়রিবা মিথা পট্টা অমসুং জর্দাগী ক্বা য়োনবগী থবক অসি থিংবা ঙল্লোই খঙবদগী লৈঙাক্লা ক্বা মনা পুশল্লকপদা পূন্না থিংবনি হায়না লৌবা তাবনি। মতাং সিদা হায়নিংবা অমনা মণিপুরদা ক্বা মনা অমসুং জর্দা থিংবা হায়বসি পুলিস অমদি সোসিয়েল ওর্গানাইজেসনশিংনা মমাংদগী চত্থদুনা লাকপা অথিংবা অমনি মসিমক্তুদা থিংবা ঙমখিদ্রবা পোৎলমশিং অসিদা অথিংবা থমলে হায়না লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা অসিগী মতুং ইন্না মণিপুরগী লৈরিবা চৎনা কাংলোনশিংগী মতুংইন্না ক্বা মরু–মনাগী তঙাই ফদবা অদুমদি য়েংদব্রা হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইনা লৌদবা য়ারোই। হৌজিকসি সজিবু থানি অমসুং থা অসিগী মনূংদা ইঙা–ইঙেল ফাউবদা মণিপুরদদি লুহোং–খোংদোংবা অমদি মীশি–মীনানচিংব থৌদোক কয়া অমা থোক্লক্ক নি হায়বসি লৈঙাক্লা খন্দনা মরী লৈনবা মীনিষ্টরনা অথিংবা থমলকপা হায়বসি মীয়ামদা খ্বাইদগী চাউনা খুদোং চাদবশিং থোকহন্নবা থৌশিল অমনি হায়না লৌবা তাবনি। মণিপুরগী চৎনবী অমদি মী পোকপদগী হৌরগা মখল মখা কয়াগী তাঙ্ককশিংদা পাংথোক্লিবা তোঙান–তোঙানবা থৌরমশিং অসিদা তঙাই ফদনা চঙবা পোৎলমশিংদা অথিংবা পীবা হায়বসি লৈঙাকসিগী অচুম্বা থৌশিল অমনি হায়না লৌবা য়ারোই। হৌজিকসু মতম লৈরিঙৈসিদা বেঙ্গলি পট্টা হায়বদি মৈতৈ মনা অমসুং কোম ক্বা য়োনবদা অমসুং মনাশিং অসি পুশিন্নবা হোৎনবদা লৈঙাক্লা অথিংবা থন্বা কয়া অসি অমুক্তুং রিভিয়ু তৌবগী মথৌ তাই হায়না লৌবা তাবনি। পান্না মনাদা অথিংবা থন্বা হায়বসি মীওইশিং অদুগী শাফগদবা মফমশিং অদুদা লৈরগা কৈথেল মনূংগী পোৎফমশিংদা থাদোক্লগা য়োলহনবগী চৎনবী অমা লাকই হায়না ঙসি ওইরিবা ফীভমসিদা লৌবা তাবনি। অদুনা মীথা পট্টা অমসুং জর্দা থিংনবা হোৎনবগী মহুত্তা মীয়াম অসিগী ৱাখল অদু তাহন্নবা হোৎনবা অমদি পাউ – চে অসিনা পীরিবা তোঙান–তোঙনবা পাউশিং মীয়ামদা হকথেঙননা খন্ননবগী মচাক অমা পীরকপা অসি লৈঙাক্লসু তরান্না ওকফম থোকই। ধর্ম্মগী ওইবা পোৎলমশিং লাঙবদা লা ক্বা অমদি ক্বা মনা চঙদবা য়াদবনা মদুবু সরকারনা খংথিং থিংজিনবা হায়বদু কয়া য়ান্না অখঙ–হৈ তান্নরবনো হংনিংঙাই ওইরি। কনাগুম্বা ফুরুপ অমগী ধর্ম্মবু শীঙনরুবদা মখল মখা কয়াগী থৌদোক ৱাথোক থোরক্লিঙাই লৈবনা ফত্ত–নুংদ থোরক্ত্রিঙৈ তান্নখিবনা লৈঙাক্কী অচুম্বা খোঙথাং ওইবসু য়ারিবনি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### উচি ৱারেপকী লৌফম কনবদুরা

ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,

তশেংনা লমদমসিদা ৱারেপ ময়ামনা ৱাই চাইরে হায়বদা য়ারক্লে হায়নরকইবসি চুমহনগদৌরিব্রা? মমাং নুমিৎ খরদা লৈঙাক মপু অমনা লমদমসিগী লৌফম কন্ননবা অকনবা ৱাফমশিং থমখিবা লৈখ্রে। অদুবু ইখং খংহৌদনা ঙসি নোংমা নিনিসিদা অঙম্বা অমনা লৌবুক্তা যূম কৈ অমদি মখল কয়াগী শেমজিন শাজিনবদা অথিংবা থমদবগী ৱাফম ফোংদোরকই। তশেংনা ঙসিগী মীয়ান্না রোড়া চেঙ অসিনা খ্বাইদগী পান্নবদৌনা উখোরক্লি। অঙম অথৌ কয়া লানবা চুম্বা য়েংদবসিনি। তশেংনা থমজরবদা অশিবা মীফাওবা হিংগৎহন্নবগী লাইফাওবদফাও অকনবা ৱাফমশিং ফোংদোক্লব্রা হায়বগী চিংনদবা ঙমদে। হৌজিক লমদমসিদা মীতোপ মীরান কয়া নোংম কাংদনা চংশিল্লকই। চংশিল্লকইবশিংবু থিংবা ঙন্নবা হোৎনবগী মহুৎ তায়োন্ননা থিংবসি উরি। তশেংনা মীরানচা খন্দোকপা হায়বসিদা ইণ্ডিয়া মনুংদা লৈমিন্নরিবা শক–চুদি খেন্নবশিংদতা চংশিনবগুম তৌরি। হৌজিক খোংজং কয়া অমা চংশিল্লকপা চংশিল্লক্লবা থৌরাংশিং পুথোক্লরি। লমদমসিদা লৌফম কন্নবগী থৌরাংশিং মতম শাংনা চত্থদুনা লাকখিবা ওইরগসু মায় পাক্লা চংশিনবদি লৈতরি। ইহৌ অসিগী খোংজং কয়াদি মশিং থিঙমদনা চত্থখিবনি। হৌজিকসু মীতোপ্তা ফম শিন্নবা য়ারোই হায়বগী খোংজং চংশিনবা হৌখ্রবসু মহুৎ িন্দোক্কদৌরিবসিসু মীতোপকী ফিদাদা ফমইবনি। ঙসি লমদমসিদা মীতোপ্তানা ফমজাও পায়দুনা লৈরকইবসি ঙসি ঙরাং ৱাফম নত্তে। অচুম্বা তৌননবা থৌরাংশিং তৌগদৌরিবা মীওই কয়া অমদি মশাগী মমিফাওবা খংজদবগী খংদুনা নাসু য়াওরিবনি। হৌজিক লমদমসিদা লৌফম কনবা হায়বা ৱাফমসিদা থোইদোক্লা হকচিন্না লৌবা মসিগীদমক ইহৌ চংশিনবা অঙাওবা ফাওবনফাও নোক্লক্কদৌবা মাল্লক্লে। ধমকাগী থবকসি মমাংঙৈ ঙল্লিভৈ মতমদা চৎনরম্লগসু ঙসিদি চৎনদবগুম উরক্লিবসিনি। তশেংনা চাওখৎপগী লম্বী ময়াম অমা লৈরগসু শিনবীগদবশিং কয়ানা থবক হৈতবদগী খংদবদগী মাং থরক্লি। হৌজিক মীতোপ কয়া অমা প্রজাশিংনদি খংলবা সরকারনদি খংদবদগী লমদমসিদা লাকপগী ৱাহংপাওহং তৌদরি। ঐখোয় মশেলতা পংলাও লাওনবখক্লদি অফবা ওইরক্কনি হায়বসি থাজবা ঙমদে। মীয়ান্না কন্না হায়নরকইবদি লৌফম কনগদবনি হায়বগী মহুৎ লৌফমদা শেমগৎ শাগৎপিরো হায়হৌবা চুমগনি। সরকার অমদি প্রজা অনিসিগী মরক্তা অরানবা অমদি য়াওরে হায়বদা কনানো লালহনগদৌরিবা অসিনি। য়ান্না ঙকইবা অমনা তৌগদবা থবক্তি তৌহৌদবনা ঙাপ্রতম মমৈদা খুজিন্না শিকপগুন্না খংদবনা হায়বনি। হৌজিক লৌফমগী ৱাফম অসি মীয়ামদা পল্লুবদা লক্লরিবোই খল্লক্লবগী মচাক ওইরে।

অদোমগী
কে ইমো মৈতৈ
ইম্ফাল

# ওপ্পোর্তুনিসশিংনা আইডিওলোজিস ওইরকপদগী অপূনবা শক্তম কায়থরক্লিবনি

***''লাইওং খুদিংমক মতাং মতম চানা লাকশিনবা ঙম্লবসু লায়না তিন্নাদগী হেন্না শাথিরবা ওপ্পোর্টুনিসশিংনা শন্দোরকপা সমাজসিবু লৈখা তাহল্লীবা লাইওংদি লাকশিনবা ঙমদ্রি। ওপ্পোর্টুনিসশিংনা আইডিওলোজিস ওইরত্তুনা শন্দোরক্লিবা লাইওংশিংনা সমাজ অসি কাংখোং চাইরক্লি।''***

এপ্রিল ১৩ দা মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নজমা হেপতুল্লানা মণিপুরগী ইতিহাস অতোপ্পা লৈবাকশিংদা খঙহনগদবনী হায়দুনা মেদিয়াগী খুত্থাংদা পাউজেল পীখিবদু মণিপুরিশিংনা ভাব তাফম থোকই। রাজ ভবন্দা পাংথোকখিবা পাউমশিংগা উনবগী থৌরমদুদা ইতিহাসকী তাঙ্ককশিংদা মণিপুরিশিংনা মমা লৈবাক্কীদমক কৎথোকপগা লোইননা থেংনখিবা ষ্ট্রগলশিং অমসুং অকনবা লান্‌ফমশিংদসু থৌনা ফনা হনবা লৈতনা ময়োক্লখিবা থৌনা ফবা ফ্রীদম ফাইতরশিং লৈবা মণিপুরনী ফোঙদোকখি। ৱাফমশিং অসিমক মণিপুরিশিং মীৎকপ থোকপা মতম ওইরে হায়দুনা পীবা পাউজেলগা পাঙ্খক ওইরি। মী খুদিংমক তোঙান তোঙানবা ৱাখল, ভাব লৈজরবসু লৈবাক মীয়ামগী ওইবা অপূনবা শক্তমগী আইডোলোজি খঙনা অমসুং ঙাক্লা চৎফম থোকই। মীওইবগী মচৎ হঙ্গৎনা য়েংলুবদা শকখংদবা শক্তি পূন্নমক্কী মপু ঈশ্বর লৈ হায়বগী থাজনবী ঙসি ফাওবা মীওইবা খুনাইসিদা লৈরি। ঈশ্বরগী লীক্লমগা শাগোন্ননা পোকপদগী শীব ফাওবগী থৌরম পরেংশিং পাংথোক্লরিবসিনসু ঈশ্বর লৈ হায়বগী ময়েক লারবা খুদম ওইরিবনী। ফুরুপশিংগী ওইবা পুৱারিগী হিসতরিশিং থোইদোক্লা মরু ওইরক্লি। মরমদি, পুৱারিদগী পুথাং পথাং থংথরকপা অফবা মচৎশিংনা ঙসিগী মীরোলশিং অসিসু অপূনবগী শক্তমগা লোইননা হীংমিন্নরিবনি। অওনবা অমসুং অহোংবশিংসু মতম মতমগী অকনবা শাফুশিংনা ওইহন্দুনা লাক্লি। অকনবা শাফু ফনা লাক্তুনসু ফুরুপকী নৎত্রগা লৈবাক মীয়ামগী ওইবা অফবা কলচরশিংদি চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা থমফম থোকই। পূন্নমক্লা ঙাক্লা ইন্‌ফমসু থোকই। অশেংবা অচুম্বা কলচরশিং ঙাক্লা হীংলিবমখৈ মীওইবা খুনাইসিদা অশেংবা মপুগী শক্তমগুম চাওথোক্লা হীংবা ঙমগদৌরিবনী। ঈপানাৎ ঈপুনাৎ শিংগী ওইবা পুৱারিগী কলচরশিংগা শাগোন্নদ্রবদি খুদোংচাবা খরা ফংদুনা নুংঙাই য়াইফবা সিটিদা লৈরবসু লমজা সারা মচা তাদুনা তোক্কনী। মতমগী খোঙলৈদা ঈপানাৎ ঈপুনাৎকী পুৱারি অমসুং কলচরশিং নোংমা নোংমগী কাওখিদুনা পোল্লোইদদি তাক্সি শোনবা হায়বসিসু মশানা তাবনী।

ফুরুপকী ঈ শেংদবা মীওইশিংনা অতোপ্পগী কলচরশিংদা হেন্না খোইদাজৈ হায়বসিসু নোংমা নোংমগী ময়েক শেংবা হেনগৎলকপগুম তৌরি। বুধি লৌশিং জ্ঞান চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না অফবা মাইকৈদা অহোংবা অওনবা লাকপা হায়বসিসু মহৌশানী। অহোংবা লাকপগীসু মফম মতম লৈতে। পূন্নমক ওইদুনসু তুংলমচৎকীদমক থৌশিল থৌরাংদুনা থৌ পাংনরিবা ঐখোয় মীওইবনী। অশিংবা ফুরুপশিংনা অশানবা মীৎয়েংগা লোইননা পুৱারিদগী শমথরকপা কলচরশিং মমি মশেক হেনগৎহন্দুনা চেকশিন্না ঙাক শেনবগা লোইননা ইনবগী মমি তারি। পরিং পথাপ অমসুং মগুন লৈবা মণিপুরগী হিসতরি গভর্ণর না খংবীদুনা অতোপ্পা লৈবাক শিংদসু খংহনগদবনী হায়বা পাউজেল পীখিবসি পূন্নমক্কী লাইবক ফবনী।

> টি ঐচ উদোই লুৱাং

মণিপুরিশিংনা মশাগী কলচরদা অহেনবা মীৎয়েং থমদবা অমদি তরং মালংদা পংহিং হীংনবগী মওংসি হোংদোকপা চুমগনী। মীনা তৌনৈ হায়দুনা অচুম–অরান নৎত্রগা মরী মখোঙ থিদনা হেক্তা তৌনবগী কলচর অসিনা পুৱারিগী অচুম্বা কলচরশিংবু মশক থিহনবতা নত্তনা লান্না উহন্ননবগী মচাক অমসু ওইরি। অহোংবনি অওনবনি হায়দুনসু পুৱারিগী অশেংবা মচৎ অদুদি শেমদোক শাদোকপা য়ারোই। থেংখাং থেংখাং কয়ারক লোইলম সাসন মখাদা লৈরুবনা পুৱারিগী অশেংবা মচৎশিং মমি শামজিল্লকখিবগী শক্তমসু ময়েক শেংনা উরি। মরু ওইনা ঈশ্বরগা থাগোন্নদুনা লাকখিবা ঙসিগী মীরোল ঐখোয়দা কাং খোং চায়বগী মচৎ অমা লায়নাগুম শন্দোরক্লিবসি মরু ওইনা ঈশ্বরগী লীক্লমদগী নাথৈদুনা ওপ্পোর্টুনিসশিংনা প্রাজা গ্রূপ গ্রূপশিংবু থাজহল্লগা হুমদুনা পুখিবদগী ওইরম্বসু য়ারি। ঈশ্বরগী থবক থৌরমশিংদসু কা হেন্না খেৎনবা নোংমা নোংমগী ঈশিং ঈচাওগুম হেনগৎলকপা উরি। ধর্ম্ম অমবুদি হুল্লগা নুংগী ওইবা ধর্ম্মদুগী থবক থৌরমশিংদি অদুম লিৎশাং শিৎনা ইনবা অমসুং চত্থবগী শক্তমসু উরি। খুদম ওইনা নৈনবা য়াই। মদুদি, হিন্দু লাইনিং ধর্ম্ম চৎলীবা মণিপুরিশিংনা ময়ূম ময়ূমদা সনামহি, ঈমা লৈমরেল শিদবীগী খুবমশিং থমদুনা ইরাৎ থৌনিশিং পাংথোক্লরি। চৈরাওবা নুমিত্তসু সনামহিদা অথেলপোৎশিং কৎনবা অমদি অপোকপগী থৌরম পাংথোক্তুনা উহৈ ৱাহৈ অমসুং অথুম অহাও তল নচিংবা কৎপগী মচৎ লৈরি। অশেংবা ৱারি ৱাখোঙগী মতুং ইন্নদি হায়রিবা ঈশ্বরশিং অসি মীতৈ/মৈতৈ ধর্ম্মগী ঈশ্বরনী। কলচরগী হৌরকফন্নী। গৌর ধর্ম্ম চৎলী হায়দুনা মৈতে/মীতৈ ধর্ম্মবু হন্থনা য়েংজরবসু নুংগী ওইবা থবক থৌরমশিংদি পাংথোক্লরি। ঈশ্বর অমত্তনী হায়বা পাউখুম পীরকপা য়াই। তৌথোরক্লিবা থবক্তুদি তাইওন্নরি। খংদনা অখং অহৈ শাদুনা করি হেন্না খন্থদনা মীনা তৌনৈ হায়দুনা পংতৌ তৌনবা হায়বদুমক ওই। ঈশ্বর অমত্তনী খল্লীবা মীওইশিংদুনা অতোপ্পা ধর্ম্মবুদি তাথি তাওইনা খল্লী। হুন্দুনা ঙাংই। চাওখত্তবা অমগুম লৌই। অসুম্না ঈশ্বরগী লীকলমদা কাংখোং চায়রকপদগী ঙসিগী সমাজসিদা অনিথোকপি/অহুমথোকপি মখলগী লায়না পাক শন্না শন্দোরকপা ওইরম্বসু য়ারি। লায়না অসি ওপ্পোর্টুনিস হায়বা ভাইরস মখল অসিনা ক্রোনিক ওইহনখিদুনা শিরুম নারুম্বা সমাজ অমসুং মমি শামজিল্লক্লবা পুৱারি ওইহল্লক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। খাঙেম্ফম য়ৌদ্রিঙৈ লায়েংহৌবগুম লাইওং অসি লাকশিন্ননবগী অমত্তা ঙাইরবা রেমেডিদি ইশাগী হৌরকফম, অপূনবগী শক্তম অমদি পুৱারিগী লীক্লম কায়দনা ঐখোয়গী কলচর খঙনা অমসুং ঙাক্লা চৎপা মথৌ তাগনী। হায়নবসু লৈ, মীগী ফজবী মমাদু ঐগী ঈমা ওইবা খক য়ারোই। ঐখোয়গী লৈজরন্লিবা ফিলোসোফিশিং অসি ফীদন্নিংঙাই ওই। লৈশেমলোন্দ হৌনা পরিং–পথাপ, থক–খা, থক্সি খাসি, ধর্ম্মগী মীৎয়েংদা মীওইবা খুদিংমক চপ মান্নবা অমদি মীনুংশিতনা য়োন্লবা অৱাংবা থাক্কী ধর্ম্ম লৈরক্লি। পুৱারিগী লীক্লমশিং অসি সমাজ অসিগী মীয়ান্না হঙ্গৎনা য়েংলুদবা অমদি খঙনিংনা থিজিল্লুদবনা ওপ্পোর্টুনিসশিংনা হায়বদা কনাগুম্বশিংনা হেক্তা চুম্লবোই খল্লীবনী। তশেংনবু ঐখোয়গী ফিলোসোফি খংলবা ওপ্পোর্টুনিসশিংসু লৈরম্লোই। অনিথোকপি অহুমথোকপি অমদি অপূনবা শক্তমদা য়েখায় থিনগাইবা অয়েৎ অপন অমত্তা লৈরমদবসু য়াই।

ঐখোয়গী ওইবা পুৱারিগী ৱারি ৱাখোঙ খরদি অইবনা মমাংগী কলমশিংদা থমজখ্রে। ঐখোয়না তাবদি অদুম তাবা করিনো হায়বদি নোংমতসু থিজিল্লুদবা পুন্সিগী তাংককসিদা চেৎনা থাজনরিবা ঈশ্বর অমদি লাইশিংগী শমলপ্পা খরা মীয়ামগী পুক্লিং লৌশিং ওইননবা থমজরি। থৱাইপানবা মখল খুদিংগী মপু ওইবা লাইশক তোঙান তোঙান লৈরি। খোইয়ুম নৎত্রগা চীংউ লাই অমনা তাইবং থৱাইপানবা মখল অমা নৎত্রগা অমদগী হেনবগী মপু ওইবীদুনা পোকপা অমসুং শিবগী কুম্মৈদা লমজিং পীবীবা ঙাক্তনী। ঐখোয়দি তাইবং মপুমক্কী শক্তমগা মান্ননা শেম্বিখিবগা লোয়ননা অতৈ তাইবং থৌৱাই পানবশিংগী মথক্তা লৈরিবনী। মরম অদুনা খোইয়ুম অমসুং চীংউ লাই পূন্নমকপু মশক খংনা ইরাৎ থৌনিবগী থৌরম পাংথোক্লরিবনী। লৈশেমলোন্দগী হৌনা ঈপা ঈপুশিংনা পুৱারিগী লীক্লম কায়দনা ঙসি ফাওবা হোংবা লৈতনা লৈরিবা মালংশক্তম অমসুং শক্তম পুবা লাইশিং নিংশিংবা য়াই।

| SL No.. কাংলোনগী মমি | – মীতৈনা খংনবা মমিং | – মালং শকক্তম পুবা লাইশিং |
|---|---|---|
| 1. Sun | - কোরৌহনবা | – সনামহি লাইনিংথৌ |
| 2. Murcury | - অহাল কুলু | – চীংউ মারজিং |
| 3. venus | - অরাং কুলু | – চীংউ থাংজিং |
| 4. Earth | - মালেম লৈকোয়পুং | – লৈমরেল শিদবী |
| (a) Moon | - নোংদোল থাজ | – নোংদোল লাইরেল |
| 5. Mars | - হয়েং কুলু | – ইনুং নোংথাং ঙানবী |
| (a) 2 Satellites | - থাবা অনি | – নোংথক নোংখা লাই |
| 6. Asteroids | - মরক্কী কুলুশিং | – শারোই ঙারোইশিং |
| 7. Jupiter | - হকচিৎ কুলু | – চীংউ নিংথৌ পাঙ্গলবা |
| (a) 9 Satellites | - থাবা মাপল | – লাইপুংথৌ মাপল |
| 8. Saturn | - মীশেম কুলু | – অয়েৎ লাই |
| (a) 5 Satellites | - থাবা মঙা | – অয়েৎ লাই মঙা |
| (b) 7 Satellites | - থাবী তরেৎ | – হেল্লোই তরেৎ |
| 9. Uranus | - মরৌ কুলু | – ঈরাইলৈমা |
| (b) 4 Satellites | - থাবী মরি | – মাইকৈ ঙাকপী মরি |
| 10. Neptune | - মকাপ পকুলু | – ৱাংব্রেন |
| (a)1Satellite | - থাবা অমা | – লোয়নবা অমা |
| 11. Pluto | - মচিং কুলু | – কৌবরেন |

(a) না য়েৎকী শক্তম অমসুং (b) না ওইগী শক্তম খংনগনী। অইবনা পীজনিংলিবা পাউজেলদি, লীক্লম্বু কায়দ্রবদি ত্রেন্না এক্সিদেন্ট থোক্তবগুম ঐখোয়না হৌরকফম খংনা পুৱারিগী কলচরশিং ঙাক্লা চৎলবদি সমাজসিদা শান্তি লাক্কনী। ধর্ম্মদগী নাথৈদুনা ওইজবা খরগীদমক অখং অহৈ শাদুনা অতোপ্পশিংবু লান্না লমজিংবা থাদোকসি। খঙননবা থিজিনসি। খঙবু খঙলবদি ওপ্পোর্টুনিসশিংনা আইডিওলোজিস ওইরক্তুনা শন্দোরকপা লায়না তিন্না চঙবা ঙম্লোই। সমাজসিদগী অনিথোকপি অহুমথোকপি লায়না মুত্থৎলসি। ইশাগী শক্তম ঙাক্লা অপুনবগী শক্তমদা শান্তি থম্মিন্নরসি।

# তাঞ্জা চাদনা মৈলৈ লাংবরা হায়ববু চৈরমদা থোংখোঙ শাবা ওইনা থোক্কনি

হায়রে ফনা য়ান্না, ঙাঙঙে ফনা ফজনা অদুবু মনাদা হাপতেনে মীশিংশে। ওন্থোক্লশু কনখ্রবা না হায়দু ওইরে। মখোয়শিংসিবো করম্বা মীদা জাৎনো? করম্বা ধাতুনা শারকপা। মখোয়শিংশে মী ওইনা পোকচরুরো, তাইবং চিঞ্জাক চাজরুরো হায়দুনা তাইবংপানসিদা থাবীরকইবা মীনুংশি চাওবা হে–ঈশ্বর নহাকশে ফত্তি ফৎখিদ্রেদকো। মরাইবক ফবদগী হন্দক মপোক্তুদি মখোয়শিংশে তাইবং মী ওইনা পোকচরবসু মথঙ মপোক হায়বদো করিগুম্বা লৈবা তারবদি মখোয়গুম্বা ৱাখল থেল্লবা মীরোল ঙাঙনবা য়াদবা কয়াগুম্বশিংসিগী তোঙানবা সংসার অমা শেম্বীদুনা মখোয়গুম্ব খক্তনা খুন্দা লৈতাদুনা লৈহনবীরবদি ঈশ্বর নহাকপু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচগনি।

মসিবু ঐনা হেক্তা হায়জীনবরা হায়বা? মতমশে অশুক্কী মতিক ফত্রে হায়বসি পূন্নমক্লা হেন্না খঙনরবা ৱাফম্নি। শা–উচেকশিংদি মাগী মাগী হৈনজবীগী মতুং ইন্না অয়ূক নুংথিন্দা চাক্তাবনা চাক্তাবা, নুমিদাংগী মতমদা হৈনবশিংনা নুদিংগী মতমদা চাক্তাবা হায়বশে মখোয়গী মথৌদাংনি মচৎনি। অদুবু, জিবপানবা খুদিংঙমক্তুগী খ্বাইদগী হেন্না হৈশিংঙবা ৱাখল লৌশিংদশু মপুঙ ফারবনি হায়রিবা য়োংদগী ওল্লকপা মী, মরুওইনা লমদমসিগী য়েলহৌমীশিংগী মরক্তা অমা ওইরিবা মৈতৈ–মীতৈ হায়বা ফুরুপশিংসিগী মনুংদা শা–মরক ঙা–মরক, মী–মরক য়োং–মরক ওইদুনা অশুম লৈবা খরাা য়াউবদগী ঐখোয়গী ফুরুপসিবু হেন্না লৈখা তাহন্নবগী চাওরবা মচাক অমদি ওইরবনি। হরাউ–কুম্মৈনা তোয়রিখৈ খুন্নাইসিগী শেনমিৎলোন্দা হেন্না–হেন্না সোকচিলহল্লি খঙনা–খঙনা লমদমসিগী মফম অয়াম্বদা হিদান্নবা লেপত্রি ঙসিফাও কুম্মৈ–ফিয়োং ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম কয়া। থেঙঙ– থেঙঙগা অশুম হেনগৎলকই থীনবা খোংবা উরাও–থরাওবা নোংমগী নাচুংবদি লায়রদনা দেমকিয়ারগী মওংনি। মসিদবো করি নো? হায়গদৌবা। নুমিদাংগী মতমসিদি মী অয়াম্বা তুন্ন–হিপ্নবা পোত্থানবা মতমনি হায়বশে মখোয়–মখোয়গী ষন্থি হাল্লবা মকোক্তুদা চঙদ্রবা জাৎলা? নৎত্রগনা ইঙনা চিক্লা হিংজবা লেঞ্জবা পাম্বা মীওই কয়ামুকসিবো মখোয়গী মমিত্তা তুমিৎ –কাঙ ওইনা উবদগীরা?

> য়েংঙু য়েংঙুবদা
> ওইনাম চন্দ্রমনি

তুংগী মীরোলশিংগীদমক ৱাখল মচেৎ অমত্তা খনবা ঙমজদ্রবা মতম–মতমগী হরাউ–কুম্মৈগী ঈথক–ঈরাঙদা নুমিৎ চুপ্পা তাওদুনা লৈজনিংবা শুনিঙ–নোমনিঙদবা মখোয়গী মজোরিৎননি মীতোপ–মীয়ানচাশিং লোয়ননা য়েলহৌমী নত্তবা শাইদাংঙবশিংনা নোংমা–নোংমগী লেং লৌশিল্লক্তুনা ঙসিদি ঈরমদমগী নুংশিরবা লৈমায়সিদা ঐখোয় নিং তন্না খোঙ থাংবা য়ারক্ত্রিবশে।

ঐখোয়গী লাইওইখ্রবা ইপা–ইপু, ইমা–ইবেলশিংনা থোনবিরম্বা নুংশিরবা লমলেন লমদমশিংগী চান্ন–চান্নবা মমিঙশিং ঙসিদি ঙম্নমক মাঙখরে–মুৎখরে মীতোপশিংগী মরোন্না মহুৎ শিনখিবদগী। মসিদা হরাউ–হরাউ য়ারিবা মখোয়না তৌরিমখৈ হোয়–মাই হায়দনা য়ান্না পুকচেল চাওবা শাদুনা লৈথোকইবা ঐখোয় মৈতৈ–মীতৈ হায়বা ফুরুপশিবো করম্বা নুমিৎ থাবান্দনো ভাব তারক্কদৌবা। ঐখোয়না পঙলাপ লাপ্পা চৎত্রবসু অনকপা শ্বায়দা মীৎ অমুক্তুং পাঙথোক্তুনা য়েংবদা ইরায় লায়না খঙবীগনি উবীগনি মদুদি মচা–মশুদি ৱারক্কেদি খন্দবা মীৱা ঙাঙনবা পাম্বা খরনা যূগ শাদুনা হোটেলদা ফমজিল্লগা অচৎ–অওকশিং য়েংঙগা ৱাথী ঙাঙনবা, ইমুঙগী কুপনোমদদি সরুক য়ানিংদবী থক–খা খঙদবী খোঙগ্রাও শেৎপী মনেম মকুগা ফাইতিং তৌনবদসু রেঙ্ক ৱান তাদুনা ওলিমপিক য়াওহনবা য়ারবী মৌনাওশিংদগী হৌরগা মীকি লাইকিদবী দ্বিপ পুবী মৌ অরিবী কয়া অমনা ক্বা দুকান মমাঙদা লেপ্পগা ময়া কবাক খন্দুনা ক্বা জর্দা খৌবোম থন্না উম্মগা ক্বাদাংনা মখয়াওগী ওরো–রো চেন্থখৈ মাগী –মাগী ইমুং মনুংগী শিত্র–কুপত্র ফাক্লদুনা ককচেং কোকচাওবীগী মতৌগুম অরাক অরাকপগা চিল্লোক্লবা, মচা–মমৌশিংদদি শিল্লম শিন্তাক্লি খঙদবী খুরোৎপী ৱায়াম ঙাঙবী গৌরিয়া তৌবীদি শারগা সা–য়েন চাবদদি থৌনা ফবি উমশাইনবী মমং মখুৎনা লাম্বা ফংঙক্কদৌরবা নুপী কয়া অমশু শোয়দনা উবীগনি মফম অয়াম্বদা। মসিনসু লোইবা নত্রি, মখোয়নদি য়ো তারে খঞ্জরিবা য়েংবদদি মী মরাম মানবা, তম্পাক্তুনা মশোং ফল্লবশু চীঙদদি মমৈ লোৎপা মণিপুর পোলিস কমান্দোগুম্বা, শেকেন্দ ৱার্ল্ড ৱার মমাঙগী থাঙ্গৎপদা লুম্মন্দনা সকয়েঙ হিকথগে তৌবা উতুপকী নোংমৈ মথ্বায় তানা পায়জবা ভি.ডি.এফ. কুম্বনদি হেক উবদা য়ান্না মলিস তৌনিংবা শক্তা পুদা ওইনা তৌবা মমা মপাবু হনবা মচা কয়া–কয়া অহৌবা মখোলগী অয়াঙবা গাড়িদা অনিহুম–অনিহুম তোংশিন্দুনা মায়কৈ–শলাই খঙদখৈ থৌবা। পূন্নমকশিং অসিগী মথক্তা লাই খূৎশাংবীশু মানগুম তৌ, য়োং ইকাইথীবীশু মানগুম তৌ মকোক–মরু ফি অমনা কোইয়েৎ য়েত্তুনা খুমজিল্লগা মমিৎ মপাখক ফাৎ তুং–মাঙ হন্না য়েংদখৈ গাড়ি মচা কন্না–কন্না থৌরীবী ইবেম্মশিংদা নত্তনা মসাগী মগুন মশানা থাগৎচরবদি আ শ্বর্গ য়ৌৱি হায়নবগুম ময়াম তানবা খোঞ্জাও থাদুনা মচা–মশুশিংবু থাগৎলগা ট্যুইশন–কোচিং সেন্টরশিংগী মনাক্তা পুল্লপ পুল্লপ লেপশিল–ফমজিল্লগা লম্বী চিলহনবদা মতেং পাংদুনা নুমিৎ খুদিঙগী য়াইফৌ ফৌরিবা লোয়ননা তুমসিৎ ফাদবগী হৌনবা মমিৎ–মনা ফাক্লি–ফাক্লি হকাম ৱা–ৱা চন্দুনা মচা–মশুশিং ঙাইবীরিবা ভদ্রলোগ–ভদ্রমহিলাশিংবু উরুবদা থোইনা হেন্নদুম নোকনিংঙি। মখোয়শিংসিগী মরক্তগা খরদি মমল অতাঙবা মখলগী অনৌ–অনৌবা গাড়ি তোংবা ঙম্বা ঐখোয়নি হায়বগী ইগোগ লোয়ননা ময়ামদা সো তৌনিংবগী ৱাখল অমশু য়াউরিমালে খল্লি। মসিগা ঈরোয়ননা ঐখোয়গী ফুরুপসিগী ওইনা য়ান্না কুপ্পা খন্ননিংঙাই ওইরিবদি, অচৌবা অপীকপা ফুরুপ কয়ামুক্লা পূন্না খুন্দামিন্নরিবা লমদম অসিদা থা খুদিংগী ঐখোয়গী ফুরুপখক্তুগী ওইবা কুম্মৈ–ফিয়োং মখল–মখা কয়া লৈরিবসিদা লূপতুনা অমুক হল্লকঅরোইদৌবা মতম ময়াম অমা মাঙহনবদা পেল্লক্ত্রদুনা অতৈ ফুরুপশিংগী অকক্লবা ফেষ্টিভেল অমনিখক চহি অমগী মনুঙদা য়ান্না লিক্লা লৈজবদুশু অমুক য়াউসিন্দুনা অতৈ অতোপ্পা ফুরুপশিংগী মমাঙদা ঐখোয় মৈতৈ–মীতৈ হায়বা ফুরুপসিবু থৌ লৈতবা ওইনা উহন্দুনা ইকাই ফিরুপ খুমহল্লিবসিনি ঐখোয়গী অচৌবা অশোয়বদি। অদুগ অতোপ্পা ফুরুপশিংনা ঐখোয়গী ফুরুপকী ওইবা করম্বা হরাউ কুম্মৈদা অতন্ননা শরুক য়াবা য়াউখ্রবগে? ৱাহংসিমক ময়ামগী মমাঙদা থমজগে। লোয়ননা মখোয়না শরুক য়ারম্বা তারবশু কদাজিৎকী ৱানি।

অমরোমদনা, ঐখোয়দি থাক ৱাংবা ফুরুপকী মীওইনি হায়বগী পঙখ্রবা ৱাখল্লোন্দা অচাউরম কাজদুনা লাকখিবগী মহৈ ওইনা ঙসিগী চিরবা তানফমসিদা পুন্সিবু খুয়া তুশিৎনা হিংবদি লায়রদনা মীপান তাংদ্রবদি হিংবা ঙমজদ্রবা ফুরুপনিকো খল্লুবদা নুংনাংবা পোকপীদবরা অদোমবু। ঐখোয়না খঙজিনবদা কান্নগদৌবদি মতমগী পোইরৈ য়েংনা জগোই শাবদি ফৈ, অদুদি নত্তনা তাঞ্জা–মেঞ্জা চাদনা মৈলৈ লাংঙুবা তারবদি চৈরমদা থোংখোং শাবা ওইনা থোক্কনি।